**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 09-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা কেন্দ্রগী লুচিংবশিংগা খন্নরুনবা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ্ অমদি রাজ্য সভা এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবা ঙসি নিউ দিল্লিদা চৎখ্রে।

২) ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট য়াওনা তম্পাক্কী জিলাশিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হৌজিকসু মীয়ামা থোরক্তুনা লম্বী থিংবগী খোঙজংশিং চংশিনল্লি।

৩) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

৪) মেট দিপার্টমেন্টনা জিরিবাম অমসুং নোনে জিলা নত্তনা অতৈ জিলা ১৪ দা হয়েংগী ওহনা য়েল্লো এলার্ট লাউথোকখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারত মচা কোতি ১৪০ না শরুক য়াদুনা লৈবাক অসি হৌখিবা চহি ১১ দা লম কয়াদা খোঙজেল য়াংনা অওনবা পুরক্লি।

------

বিরেন (এল) ঃ মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা কেন্দ্রগী মরুওইবা লুচিংবশিংগা খন্নরুনবা বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ অমদি রাজ্য সভা এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবা ঙসি

নিউ দিল্লিদা চৎখ্রে। নিউ দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোক্ত্রিঙৈগী মমাংদা ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা পাউমীশিংগা উন্নবদা শ্রী বিরেন্না হায়- রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি য়ামা লুবা অমদি চেকশিনগদবা তাঞ্জা ওইবনা মীয়ামা খোঙজং চংশিনবা মতমদা হিংশা য়াওদনা অমসুং ৱাখল ইংনা পুকিং ফাথনা থবক পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

কর্ফিয়ু(এল)ঃ মণিপুর তম্পাক্কী জিলা ৫-ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদা হৌজিকসু কর্ফিয়ু লৈরি। হৌখিবা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদগী থমজিনখিবা কর্ফিয়ু অসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকাইবা থোক্লে। ফার্মাসি নত্তনা কৈথেল অমসুং দুকানশিং হাংনদ্রে। তঙাইফদবা থবকশিং অমসুং মেদিয়া নত্তনা লম্বীদা মী অমসুং গারি চথোক চৎশিন তৌবগী চাং নেল্লে।

অরাম্বাই তেঙ্গোলনা কৌবা নুমিৎ ১০ নিগী সটদাউন অদুমক চত্থরি। ঙসিসু মফম কয়াদা মীয়ামা থোরক্কুনা লম্বী থিংবগী খোঙজংশিং চংশিনখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তেরা শাপম লৈরক্তা ঙসি নুমিদাংৱাইরম শকখঙদবশিংনা সেক্যুরিতি ফোর্সতা নোংমৈ কাপশিল্লম্বদগী ইরাং থোকখ্রে। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফানবা মফম অদুদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং চংশিন্দুনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থখি। অদুমওইনমক চেন্নবশিং ফাবগী পাউদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈত্রি।

ইম্ফাল ইষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু মীয়ামা লম্বী উ-ৱা ফৈজিনদুনা অমদি তয়ার মৈ থাদুনা লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিল্লি। জিলা অসিগী খুরাই লমলোং কৈথেলদা হৌজিক নুমিদাং খোঙজং চংশিল্লিবশিংগা সেক্যুরিতি ফোর্সকা মুকরি। খোঙজং অদু লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তিয়ার গ্যাস সেল অমদি রবর বুল্লেটনচিংবা কাপখি হায়রি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চনবা নম্বোল খাথোংদা ঙসি নুমিৎযুংবা অদুৱাইদা মফম অদুদা খোঙজং চংশিল্লিবশিংগা পুলিসকা চাউনা মুকবা থোকখ্রে। মীয়ামগী ইহৌ অদু লাকশিন্নবা পুলিসনা অকনবা থবক লৌখৎখি। অদুমওইনমক,

থৌদোক অদুদা অশোক অপন থোকপগী পাউদি লৈতে।

থৌবাল জিলাদসু থৌবাল খুনৌগী মহিলা মান্দপকী ইমা ইবেলশিংনা খোঙজং চংশিনখি। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাজিনখিবা মীওইশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়না দাবী তৌরদুনা হৌজিক চত্থরিবা খোঙজং অসি মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়রি।

ঐখোয়গী ককচিং পাউমীনা হায়-ককচিং তাউনগী লন্বীশিং থিংজিন্দুনা মী চত্থোক চৎশিন য়াদ্রে। বেঙ্ক য়াওনা ওফিসশিং থোং লোল্লে। ফার্মাসি নত্তনা কৈথেল অমসুং দুকানশিংসু ফমদ্রে।

তম্পাক্কী জিলা ৫ অসিদা ইন্তরনেট থিংজনখিবনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা চাউনা মায়োকরে।

অমরোমদা, সটদাউন মনুংদা রিজনেজল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগী অনা লায়েংগা মরী লৈনবা মীওইশিং, এম্বুলেন্স, অমসুং ঈশিং পুবা গাড়িশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা পীবীদনবা রিমস ওথোরিতিনা মীয়ামদা আপীল তৌরি।

মরক অসিদা, মণিপুর ফয়ার সার্ভিসনা জেনিমস ওথোরিতিগা খুৎশমদুনা মখা তানা হোস্পিতাল অসি শেংদোকপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিদা ওইরক্লিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসি লাকশিন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়- চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি বি.এস.এফকী অপুনবা কাংবুনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী ঙরাং চুরাচান্দপুরগী সাইকুল-দম্পিপ চীংখোঙদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদা সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, রেদিও সেট অমা, বুল্লেটপ্রুফ জেকেটকী কোভর অমা য়াওনা পোৎলম কয়া য়াওরি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোসর্ন লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাগী তৈসিং খুল অমদি অকোইবা মফমশিংদা পাক

শন্না থিবা হুন্নবগী থবক চখুখি। মদুদা মীওই ৬৫ রোম মশাগী শক্তাকচে পুথোকহন্দুনা মশক খঙদোকখি।

সেনাপতি জিলাগী মনুং চনবা নেসনেল হাইৱে নম্বর টুগী টি খুল্লেনদা হাংলিবা চ্যেক পোইন্টতসু সেকু্যরিতিগী অপুনবা কাংবুনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবগী থবক চখুখি। মদুদা মীওই ১২৭ চ্যেক তৌখি। অদুমওইনমক, মীফা মীপুন অমদি খুৎশু খুৎলায় ফাবগী পাউদি লৈতে।

গাড়ি(এল)ঃ মণিপুরদা হৌজিক চথরিবা টোটেল সটদাউনগী খোঙজং অসিনা মরম ওইরগা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী নোনে পুলিস চ্যেক পোষ্টতা পনদুনা লৈরম্বা গাড়িশিং ঙসি ইম্ফাল তমা চংলকখ্রে। সেকু্যরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা চংলকখিবা গাড়িশিং অদুদা থাউ পুবা, এল.পি.জি পুবা, চেং য়াওনা চান থকবা পোৎলমশিং অমদি নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়িশিং য়াওরি।

রবি (এল) ঃ বোর্দর সেকু্যরিতি ফোর্স (বি.এস.এফ), এম এন্দ সি ফ্রন্তিয়ারগী ইন্সপেক্তর জেনেরেল ওইরগদবা রবিকান্টনা ঙসি মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা রাজ ভবনদা উন্নখ্রে। শ্রী রবিকান্ট উরিষাগী ১৯৯৮ বেটচকী আই.পি.এস কাদরনি।

মেট (এল)ঃ ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টকী ইম্ফাল সেন্তরনা জিরিবাম অমসুং নোনে জিলা নত্তনা অতৈ জিলা ১৪ দা হয়েংগী ওইনা য়েল্লো এলার্ট লাউথোকখ্রে। হয়েং তমেংলোং, সেনাপতি অমসুং উখ্রুল জিলাদা নোংলৈ নুংশিৎ অমসুং অখাক অরাউ য়াওনা অকপনবা নোং চুগনি। অতৈ জিলাশিং- কাংপোকপী, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর, ফেরজোল অমসুং কামজোংদনা নোংলৈ নুংশিৎকা লোয়ননা বজ্র তারবা য়াই হায়রি।

হেলথ (এল) ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হন্দক্কী ঈচাউ অদুনা কা হেন্না শোকহল্লবা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লেপ্তুনা মেদিকেল কেম্পশিং চথরক্লি। ঙসিসু চীফ মেদিকেল ওফিসারগী মীৎয়েং মখাদা ঈশিং ঈচাউনা শোকহল্লবা খুরাই হৈক্রেমখোঙ অমদি মাদ্রাসাদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ৭০ রোম লায়েংখি অমদি লেমা হিদাক লাংথকশিং য়েন্থোকখি।

সেনাপতি (এল)ঃসেনাপতি জিলাদা হন্দক শাথিনা ঈশিং ঈচাউ মায়োকরুরবা তুংদা মহৌশাগী ফিভম তপা তপা হঞ্জিল্লকপা হৌরে। ঈচাউ নংলবা মীয়াম ময়ুম ময়ুমদা হঞ্জিন্নদুনা শেমজিন শাজিনবগী থবক কন্না চথরি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানা হৌজিকসু মখা তানা অৱাবা নংলবা মীয়ামদা মতেং পাংবা লেপত্রি।

অমরোমদা, নাগালেন্দ মনুংদা চাউনা চীং নীংখায়বদগী নেসনেল হাইৱে ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা হৌজিকসু মপুং ফানা গাড়ি চেনবা উদ্রি। গাড়ি মচা খরা চৎনরবস্ পোৎ চৈ পুবা অচৌবা গাড়িশিংদি বাই পাস অমগী খুত্থাংদা লাকপনা গাড়ি মশিং য়ামা চৎপা উদ্রি।

কাংপোকপী (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাদা পি.এম. পোসান রেকোর্দ মেন্টিনেন্সকী নোংমগী ওইবা ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি কাংপোকপীগী জেদ.ই.ও ওফিস ত্রেনিং হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু জেদ.ই.ও কাংপোকপীনা দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকা খুৎশমনা শিনবনি। জেদ.ই.ও কাংপোকপীগী ষ্টাফশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মরুওইনা সরকারগী মহৈ লোইশঙশিংগী এম.দি.এম কার্দ, রেকোর্দ বুক মেন্টিনেন্স রেজিষ্টর অমদি ষ্টোক রেজিষ্টরগী মতাংদা ত্রেনিং পীখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা এক পের মাকে নাম টু পোইন্ট জিরোসু হৌদোকখি। লোয়ননা জিলা অদুদা লৈরিবা সরকারগী মহৈলোইশঙশিংদা উ চারা কয়াসু য়েন্থোকখি।

নোনে (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি নোনেনা শিন্দুনা ঙসি নোনে প্রাইমারি হেলথ সেন্তরদা মালেমগী হাইপরটেন্সন নুমিৎ পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা থা অমা চুপা চথুগদবা হাইপরটেন্সন স্ক্রিনিং থৌরমসু হৌদোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অদুগী চীফ মেদিকেল ওফিসার অজিন মরিংমৈনা মীথুংলেন ওইখি। ডোক্তরশিং, নর্সশিং অমসুং আশা ৱার্কর কয়া থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। ঙসিগী ওইনা লোংমাই প্রাইমারি হেলথ সেন্তর নোনে অমসুং লোংমাই বজারদা মীওই কয়া হাইপরটেন্সন স্ক্রিনিং তৌখি।

থৌরম অদু হেক লোইরবা মতুংদা মালেমগী হিদাক মনা শিজিন্নদবা নুমিৎ থৌরম অমসু নোনে প্রাইমারি হেলথ সেন্তরদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা অখণ্ড অহে কয়ানা হকশেলগা মরী লৈননা ৱা ঙাংখি অমসুং মীয়ামদা হিদাক মনা শিজিন্নবগী খুদোংথিবশিং ভাব তাহন্নবা থৌরমসু শিনখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মীয়ামগী থৌজাল অমসুং ভারত মচা কোতি ১৪০ পুন্না শরুক য়াদুনা লৈবাক অসি হৌখিবা চহি ১১ অসিদা মখল মখাগী লম কয়াদা খোঙজেল য়াংনা অওনবা পুরকপা উরে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- সবকা সাথ, সবকা বিকাশ, সবকা বিশ্বাস অমসুং সবকা প্রয়াস হায়বা ৱাখল্লোন্না লমজিংদুনা এন.দি.এ সরকারনা হান্না অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা খোঙজেল য়াংনা অমসুং পাক চাউনা অওনবা পুরক্লে। শ্রী মোদিনা হায়- ইকোনোমিক গ্রোথতগী খুনাইগী ফিভম ফগৎহনবা হায়বসিদা মীয়ামগী ওইবা পুন্না হিরম খুদিংমক্তা চাওখৎমিন্নবা হায়বসিদা মীৎয়েং থল্লি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসি ঙসিদি খ্বাইদগী খোঙজেল য়াংনা ফিভম ফগৎলক্লিবা অচৌবা ইকোনোমি অমা ওইবা খক্তা নত্তনা ক্লাইমেত এক্সন অমসুং দিজিতেল ইনোভেসনগুম্বা য়ামা মরুওইবা হিরম কয়াদসু মালেমগী খোঞ্জেল ওইরক্লি। মহাকা হায়- বিক্সিত ভারত অমা ওইহন্নবা ভারতনা আশা, থাজবা অমসুং অনৌবা ৱারেপকা লোয়নননা মাঙলোমদা চংশিল্লি।

নদ্দা ঃ বি.জে.পি প্রসিদেন্ট অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকারনা থবকা উৎপা রাজনীতি পুরক্তুনা অমসুং দাইত্ব খঙবা সরকার অমা পীদুনা লৈবাক অসিগী রাজনীতিদা চাউনা অওনবা পুরক্লে।

নিউ দিল্লিদা মোদি সরকারনা থবক পায়রকপা চহি ১১ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী নদ্দানা হায়- লৈবাক অসিগী রাজনীতিগী শক্তম হোংদোক্তুনা সরকার অসিনা অনৌবা লোনচৎ অমা পুরক্লে। মহাকা হায়- মমাংঙৈদদি রাজনীতি অসি মখা তানা শক্তি পায়দুনা লৈনবা মীয়াম্বু পেলহন্নবা থৌশিলদা অয়াম্বা ওইনা চত্থরম্মী। শ্রী নদ্দানা কেন্দ্রগী এন.দি.এ সরকার অসি পুকচেল তিংনা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা মতিং লৈবা সরকারনি হায়না শিংথাখি। মহাকা হায়- মসি মীয়ামা লুচিংবা সরকারনি অমসুং মসিনা মনুং মপান ফাওনা উহন্নবগী অনৌবা থাক অমা শেম্লে। বি.জে.পি প্রসিদেন্টনা হায়- হৌখিবা চহি ১১ অসিদা মোদি সরকারনা বিক্সিত ভারতকী যুম্ফম থোল্লে।

দিল্লি ঃ দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি রেখা গুপ্তনা হায়রি- লৈবাক কোনুং সহর অসিগী ইনভাইরোনমেন্টকী ফিভম ফগৎহন্নবা হন্দক উ চারা লাখ ৭০ থাননবা পান্দম থল্লি। এক পের মাকে নাম থৌরাংগী মখাদা মুখ্য মন্ত্রি রেখা গুপ্তনা মহাক্কী অপোকপী মমাবু নিংশিংবা ওইনা ঙসি নিউ দিল্লিগী সালিমার বার্গতা লৈবা সরকারগী স্কুল অমদা শিন্দুর পাম্বী অমা থাখি। শ্রীমতি গুপ্তনা হায়- দিল্লি ইজ্‌কেসন দিপার্টমেন্ট অমসুং স্কুলশিং এক পের মাকে নাম টু জিরোদা শরুক য়ারি।

কোবিদ ঃ ভারত পুম্বগী ওইনা ঙসি অয়ুক ফাওবদা কোবিদ নাইন্তিনগী এক্তিভ কেস লিশিং ৬,৪৯১ লৈরি। মসিগী মনুংদা অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনা অসামদা ৪, সিক্কিমদা ৩১ অমসুং ত্রিপুরাদা ১ য়াওরি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

হোক্কি ঃ বেলজিয়মদা চত্থরিবা হোক্কি সেন্তর ওফ এক্সেলেন্সতা ভারতকী জ্নিয়র ৱিমেন টিমনা বেলজিয়মবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে। ভারতকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু গিতা যাদব, সোনম অমদি লালথাংলুৱানগীনা চনখিবনি। ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অদু ভারত টিমগী য়ুরোপিয়ান টুরগী অহানবা মেটচনি। টুর অসিগী অনিসুবা মেটচ হয়েং বেলজিয়মগা শান্নগনি।

ভারতকী টিম অসি আর্জেন্টিনাগী রোজারিও পাঙথোকখিবা ফোর নেসন্স তুরনামেন্ট লোইরবা মতুং য়ুরোপকী ফাইভ মেটচ টুর অসি পাঙথোকপনি। ভারতকী শান্নরোইশিংনা বেলজিয়মগী এনৰর্পতা মেটচ শান্ননবা শেম শাবা লোইরে। মেটচ অসিগী মতুংদা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগনি। টুর অসি লোইদ্রিঙৈ মাংওইননা হোক্কি কেম্পোাংদা নেদরলেন্দসকসু মেটচ অমা শান্নগনি। ভারতকী জ্নিয়র ৱিমেন টিমগী খোঙচৎ অসি মরুওইনা চহি অসিগী দিসেম্বরদা সেন্তিয়াগোদা পাঙথোক্কদৌরিবা এফ.আই.ঐচ হোক্কি ৱিমেন্স জ্নিয়র ৱার্ল্ড কপ ২০২৫ দা শরুক য়ানবগী শেম শাবা ওইনা পাঙথোকপনি।

------